চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

Page 3

# সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

AQUAGUARD FREE
40 HH (LED) = ₹ 28500
(AQUASURE AMRIT ₹ 2,490 FREE)
32" LED = ₹ 18999
(AQUASURE AMRIT ₹ 2,490 FREE)
SAMSUNG 24" LED = ₹ 13700
(AQUASURE AMRIT ₹ 2,490 FREE)
3 YRS WARRANTY LED TV
40 HH (LED) = ₹ 27500
32" LED = ₹ 17500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6 KG ₹ 8690 = ₹ 8000
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 11000
170 LT + STAND = ₹ 10000
190LT REFRIG: + STAND ] ₹ 10800
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL



জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী এমওবিসিগী খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা পার্লিয়ামেন্টরী সেক্রেটরী অসাব উদ্দিননা জিআইসি শীট খুৎশিন্নবা

কাদাগী লীচিং মখাদা ইমা ইবেলশিংনা চখবা নিশা থিংবগী দ্রাইভকী মনুং চন্না থিনুঙ্গৈদগী ফাগৎলকপা য়ু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং থুগায়বা



BLOCKADE হাংদোক্লে
SAMSUNG SPL. DISCOUNT
40" LED = ₹ 40000/-
(FREE AQUAGUARD (₹ 5000))
32" LED = ₹ 20999/-
(AQUA SURE AMRIT FREE (₹ 2500))
24" LED = ₹ 13700
(AQUASURE AMRIT ₹ 2,490 FREE)
REFRIG 190LT = ₹ 15650/-
(10 YRS WARRANTY) (FREE AQUA SURE (₹ 2500))
W/MACHINE 7.5 KG = ₹ 14500/-
(PLUS AQUAGUARD FREE SCHEME)
SARAJEEVAN ENTERPRISES
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

ঙসিগী অঙৈং–অশা: শাবগী চাং ঃ ২৩° ঈংবগী চাং ঃ ১৯° | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ৭০ | নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

IMPHAL, SUNDAY 23 APRIL, 2017
লৈবাকপোকপা, শজিবুগী ২৭ নি পানবা

e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 |Volumn No: 42 Issue: 150 Page : 8 |Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মী অয়াম্বনা মায়থীবগী মরম অমদি মায়থীখ্রবা থৌরাং অমগী মহুৎ শিঞ্জিন্নবা অনৌবা থৌরাং অমা য়াংথোকপা ঙমদবদগীনি।

## অহানবা কাখল

### ক্লাস টেন পরিক্ষাগী ক্বেইসন পূন্নমক লাল্লি ঃ দেসাম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা অদুগী সবজেক্ট পূন্নমক্কী ক্বেইসন খূদিংমক অরানবা ঙাক্তনি হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী সেক্রেটরী জেনরেল এন ইদিসন্না ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলবন্দদা লৈবা দেসামগী ওফিস্তা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এন ইদিসননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মার্চ ১৭ তগী এপ্রিল ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা পরিক্ষা অদুগী মেইন সবজেক্তা মফম ৩০ দা ক্বেইসন লাল্লি, মণিপুরী সবজেক্তা ১২, সোসিয়েল সাইন্সতা ১৭, সাইন্সতা ১১, ইংলিসতা ১৫ লাল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ক্বেইসন লানবতা নত্তনা বনানসু লাল্লি। লানখিবা অসিগী দাইত্ব বোর্দনা পুগদবনি। অথুবা মতমদা বোর্দকী চেয়ারমেনদগী তাদবা অমনা লানখিবশিং অদুগী মরম হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মখা লমায় ৬তা

GAS TODAY

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking upto .......12/02/2017
Valid from ........... 01/02/2017
Stk ..................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

MANIPUR GAS
Booking upto .......14/02/2017
Valid from ........... 10/02/2017
Stk .....................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 09.30 a.m

ATHOKPAM INDANE
Booking upto .......15/02/2017
Valid from ........... 06/02/2017
Stk ..................................612
Timing........7.00 to 10.00 a.m
Submit Aadhar Card

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto .......07/03/2017
Valid from ........... 07/03/2017
Stk ..........................306 CTC
Timing........7.00 to 10.00 a.m

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

- ঙসি নৎত্রো মেজর নঙোন্দা তর্পন কৎকনি হায়দো, হন্দক্তি কনা কনানো অচৌ–অশাংগা য়াম্না লাক্তৌরি হায়না ।
- খঙদ্রেদা ইপু থঙ্গাল জেনরেল ঐনা শোক্লখিবা লান্দুবু ঙসি এপ্রিল ২৩ অসিরা নৎত্রগা হংচিৎ এপ্রিল ২৫ সিরা ভাব অমা তাশিল্লকক্রে।
- অমনা–অমা হায় অমনা অমা হায় ঐ পুমঙাও ঙাওরেদা।
- ৱারুন–ৱারুন অনীমক হেক য়াওশিল্লু, লমদমসিদদি অনী থোক্তবা য়াদবনি।
- অদুনা ফরদ্রা ইপু জেনরেল, তর্পন অনীমক হেক চাথোকপা।
- অদুনিনে খদ্রক–মদ্রক্কী লমসিদা অহল–লমন ওইরুবনিনা ঐখোয়সু খদ্রক–মদ্রক তম্বা তাবনিনে।
- অদুনা ফরদ্রা ইপু।

# সাসন পায়রে হায়দুনা অরানবা থবক তৌরোইসি মণিপুরদা চীং তমগী খেন্নবা ঙসিদি মাঙখ্রেঃ চীফ মিনিষ্টর



এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ ঃ মণিপুরদা বি জে পিনা সাসন পায়রে হায়দুনা বি জে পিগী লুচিংবশিং, ৱার্করশিংনা অরানবা থবক তৌরোইসি। মণিপুরদা মতম খরগী মতুংদদি বি জে পি ঙাক্তা ঙায়রগনি। লমদম অসিদা ঙসিদি চীং অমসুং তমগী খেন্নবা লৈত্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পিগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকপা নৌনা বি জে পিদা চংলক্লবা ৱাঙ্গোয় ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলরশিং অমসুং এ দি সি চুরাচান্দপুরগী মেম্বরশিংবু ওকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, থা অমগা নুমিৎ খরনিখক্তা ঙায়রিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা চীং অমসুং তমগী প্রজাশিংনা থল্লিবা থাজবা থমদুনা চং শিল্লক্লি।

অনৌবা লৈঙাক সাসন অসিদা প্রজাশিংনা থল্লিবা থাজবা অসি মাঙহনদবা পুন্না হোৎনমিন্নবা চংই। অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী হৌজিক মণিপুরদা চীং অমসুং তমগী খেন্নবা লৈরম্বা অদু মাঙখিবগুম তৌরে।

সাসন অসিগী মনুং মপান ফাওনা থবক তৌবা অসিদা থাজবা থমদুনা এ দি সি অমসুং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীওই খরা অথুবদা চংলকখিগনি। বি জে পি লৈঙাক্কী মপুং ওইবা পান্দমদি মীনুংশিগা লোয়ননা চীং তম খেন্নবা থমদনা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপনি।

চপ মান্নবা মীৎয়েংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা মতমদা পুন্না চঙশিনমিন্নবা লম্বীদা খোঙ থাং লিবনি।

মতম অমদা চুরাচান্দপুর এ দি সিদা মেম্বর অমখক ঙায়রম্বদু ঙসিদি মেম্বর ২৫ শুরে। মসিগা লোয়ননা হান্না এম এল এ অমখক ঙায়রম্বা বি জে পি ঙসিদি সাসন পায়রে।

অসিগুম্বা লৈঙাক সাসন অসিদা মীয়াম্না থল্লিবা থাজবা অসি মাঙহনদবা হোৎনবদা অকিবা ফাওই। ঐগী হায়বা ৱাখল অসি থাদোক্লগা লৈবাক্কী হায়বা থবক অসিনা মাঙ থাহনসি।

কনাগুম্বনা রুলিংদগী এম এল এশিং থোরক্কনি হায়না লাওনরিবা অসি ওইথোক্লোইদবা ৱাফমনি। কনাগুম্বা ওপোজিসন্দা লৈবশিংগী মরক্তগী চংলকপদি মশাগী হিংনবা লম্বী থিরকপনি হৌনশানি হায়খি।

ঙসি চুরাচান্দপুর এ দি সিগী চেয়ারমেন অমসুং ভাইস চেয়ারমেন য়াওনা মেম্বর ২৪ লোয়ননা হান্নগী বি জে পিগী অমা থারগা ২৫ শুরকপা অসিনা মতম কুইরবা চুরাচান্দপুরগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা ৱারী শাবিদুনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী তৌফম থোকপা মথৌ মঙমশিং পাঙথোক্লবা হোৎনমিন্নসি।

বি জে পিগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা দরকার লৈবা থবক্তা নেগোসিয়েসন তৌগনি। ৱাঙ্গোয় মুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলরশিং লৌশিনবা মতমদা মন্দল তান্নে তান্নদে হায়বা ৱাফম করিসু খনবীগনু হায়খি।

মতম খরগী মতুংদা মণিপুরদা বি জে পি ঙাক্তা ঙায়গদৌরিবনি। সাসন পায়রে হায়দুনা ঐখোয়না খক লান্নবা হোৎনরোইদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা হায়, বি জে পি অসি মণিপুরদা নোংমা নোংমগী মশা মরেং ফন্দোরক্লে। পার্টি চাউখৎলিবমখে প্রোব্লেম লৈগনি।

বি জে পি মশাগী তোপ তোপ্পা আইদিওলোজি লৈজবা পার্টি অমনি। চহী ১৫গী কংগ্রেস পার্টিগী সাসন মতুংদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা লাকপগা লোয়ননা প্রজাশিংনা থল্লিবা থাজবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনবা দরকার লৈ হায়খি।

ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রবা ৱাঙ্গোয় ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলরশিং অদুদি চেয়ারপার্সন অমসুং ৱার্দ নম্বর ৭কী কাউন্সিলর কে ঐচ মেম্মা, ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সিলর এল ববিতা, ৱার্দ নম্বর ৬কী কাউন্সিলর টি ঐচ ইনাউতোন, ৱার্দ নম্বর ৯গী কাউন্সিলর সি ঐচ প্রিয়োবর্ত্ত অমসুং ৱার্দ নম্বর ৪গী কাউন্সিলর এম দি ইলিয়াজ খাননি। লোয়ননা কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ মেম্বর ৯ শু বি জে পিদা য়াওখি।

মসিগা লোয়ননা চুরাচান্দপুরগী ওইনা বি জে পিদা য়াওরকখ্রবশিং অদুদি চেয়ারমেন খাইপাউ হাউকিপ, ভাইস চেয়ারমেন ভি খাইখানমুং, মেম্বরশিং লাংখানপৌ গুইতে, লাল হোসান, লালমাঙপুই, সৈলেনমাং খোঙশাই, মখা লমায় ৬তা

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্লোই বিজেপিনা আইএমবু খূৎলায় ওইনা শিজিন্নবনিঃ জয়কিষন



এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ ঃ হৌখিবা চহী ইং ২০১৫গী আগষ্ট ৩ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি নাগাশিংগী ৱাথোক অসি ৱারোইশিন পুরক্লবা নত্তে। মসিদি বি জে পিনা এন এস সি এন (আই এম) বু খূৎলায় ওইনা শিজিন্নবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিগী ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নমথানলোং য়ূঠ ক্লব থাংমৈবন্দগী লিংখৎখিবগী চহী ৬০ শুরকপা দাইমন্দ জুবিলিগী থৌরম থৌদোকপদা ৱা ঙাঙলদুনা জয়কিষননা হায়, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি নাগাশিংগী ৱারোইশিন পুরক্লবা নত্তে, বি জে পিনা এন এস সি এন(আই এম) থেম্নবা চখবা থৌশিলনি হায়বসিদা বি জে পিনা লাল্লি হায়বা তারবদি নুমিৎ কয়ানিগী মনুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি লোইশিনগদগে হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

বি জে পিদি মণিপুরদা শান্তি পুরকপা পাম্বা নত্তে। লালহৌববু খূৎলায় ওইনা শিজিন্নবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি মহাক্কী পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমিদ সাহনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা অমত্তা য়াওদে, হায়না ফোঙদোক্লি। অদুবু মসিদা মীয়াম্নদি থাজবা ঙমদ্রি।

কংগ্রেস পার্টিনা নাগাশিংগী ইশুবু ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা খোঙথাং খুদিংমক তরাম্না ওকই। বি জে পিনা এন এস সি এন (আই এম)গা ৱারোইশিন পুরকপা পাম্বগী মহুত্তা মীখলগী খুৎলায় ওইনা শিজিন্নরগা নমশিন্দুনা থম্বা পাম্বনি।

হৌজিক এন এস সি এন (আই এম)না চিনাদা চৎলোরা হায়বা ৱাফম থল্লকপা অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মখোয়বু শান্নরিবা মওং অসি খঙবা হৌরক্লবনি হায়বদা লাল্লোই।

মণিপুরদা শান্তি পুরক্লে হায়বা তারবদি বি জে পিনা পুকচেল শেংলবা নুমিত্তা ওইথোক্কনি। লালহৌববু মীখল অমদি গভর্ণমেন্ট শেম্বদা খূৎলায় ওইনা শিজিন্নবা, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহদবা পূন্নমক অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না হৌবা মতম ওইরে। মসিগী খোঙথাং অসি হেক লৌরকপা মতমদা মণিপুরগী চীং তমদা খুন্দারিবা ইচিল ইনাউশিং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্কনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নমথানলোং য়ূঠ ক্লব অসিগী ইং ১৯৫৭ তগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা থৌ পুরিবা হিংলিবা অমসুং লৈখিদ্রবা মীওইশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকাই খুম্নখি। লোয়ননা নাটকী ওইবা জগোয় ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

# খোংজোম নুমিৎ লাকপদা গভর্ণরনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ ঃ খোংজোম নুমিৎ ইং ২০১৭ লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর নাজমা হেপ্তুল্লানা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়, চহী খূদিংগী এপ্রিল ২৩ বু খোংজোম নুমিৎ হায়না মণিপুরদা পালন তৌরি। মরৈবাক্কীদমক কখোকখ্রবা মণিপুরগী লাইওইখ্রবা মীওইশিং নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মমা লৈবাক্কীদমক কখোকখ্রবা মীওইশিং অদুনা লৌখিবা শিংথানিংঙাই ওইরবা থৌনা অমসুং মরৈবাক নীংবা অদুবু নীংশিংলি। মখোয়না শক্তি লৈরবা মালেমগী থাক্তা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশশিংনা সরেন্দর তৌদনা লাম্ভেংনরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা হেরোশিং অদুবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লে। ইং ১৮৯১ দা এঙ্গলো –মণিপুরীগী অকনবা লান খোংজোমদা শোক্লখি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈবা খেন্নবশিং কাওথোক্তুনা অমসুং কখোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসি শেমগৎপদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়রি।

আইজি এআর (সাউথ) মেজর জেনরেল বিরেন্দ্র সিংহ ভিএসএম অমসুং অসাম রাইফলসকী রেঙ্ক পূন্নমক্না খোংজোম দে ২০১৭ থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

চেরোল অমদা হায়, ১৮৯১ দা বৃটিশ আর্মিনা মণিপুরগী মথক্তা লান লাওথোক্লবা মতুংদা থৌনা ফনা লাম্ভেংনখিবা মরৈবাক নীংবা পাউনা ব্রজবাসি অমদি চিংলেনসনানচিংবা কয়ানা থৱায় কত্তুনা মরৈবাক্কীদমক হনবা লৈতনা লেপ্পিবা অদু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংফম থোকই।

মতৌ অদুগুম্না লমদম অসিদা ইং তপ্পা চাউখৎপা অমসুং নুংশি চান্নবা হায়বদু মতম পুম্বগী ওইনা লৈনবগীদমক খুন্নাই অসিগী ফত্তবশিং অমসুং ইন্সরজেন্সিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা থেঙনমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অথৌবশিং নীংশিংদুনা খেবা চীং ফাওবা সাইকল রেল্লি চৎকনিঃএমসু

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ ইং ১৮৯১ দা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশকা অরোইবা ওইনা খোংজোমদা শোক্লখিবা লানফমদা থৱায়না পোম্থা পীখ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা হয়েং এপ্রিল ২৩ দা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না সাইকল রেল্লি চত্তুনা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা হেইকৎ লৈকৎ তমগনি হায়না মহৈরোই লূপ অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল ঐচ চাকলাম্বনা ঙসি নুমিদাং পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

দিএম কলেজ কমপ্লেক্সতা লৈবা এমসুগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা চাকলাম্বনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইং ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৩ ইরমদমসিদা লৈরিবা অথৌবশিংনা নুমিৎ তাদে হায়নরিবা বৃটিশকা লাম্ভেংনখিবা থৱায়না পোম্থা পীখিবা অথৌবশিংনা লৌরম্বা কখোকপগী থৌনা অদু ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবশিংনা লৈহৌনবগী থৌনা পীবা ওইনা সাইকল রেল্লি অসি শীনবনি। তুংদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মমা লৈবাক নুংশিবা মীখা পোনবগী মায়োক্তা মমা লৈবাক্কীদমক কখোকপা, লৈবাক্লা লুই হায়বা মরুওইবা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা রেল্লি অসি শীনবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রেল্লি অসি হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী এমসুগী ওফিস্তগী মহৈরোই লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ শরাংথেমনা লমথাগনি। এমসু ওফিস্তগী লমথারগা খোয়াথোংরোমদা লাক্লগা কংলা পার্ক তারক্লগা বিজেপিগী ওফিস ফাওরগা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন, কৈশামথোংদগী পিশুম থোং তারক্লগা শিংজমৈ বজারদগী খোংজোম ফাওবা চৎলগা অথৌবশিংগী নীংশিং খুম্ভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি। মসিদা মীয়ামসু লম্বী চখোক চৎশিন্দা অপনবা থোক্তনবা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইতিহাসিক ওইবা এআরগী এক্স সার্ভিসমেন রেল্লি পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ দাইরেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা আইজি এআর (সাউথ) না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা অনীরকশুবা ইতিহাসিক ওইবা অসাম রাইফলস এক্স সার্ভিসমেনগী রেল্লি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা বালভবনগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

আইজি এআর (সাউথ) মেজর জেনরেল বীরেন্দ্র সিংহ ভিএসএমনা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মেগা এক্স সার্ভিসমেন রেল্লি অদুদা ৱার্ল্ড ৱার টু ভেটেরান, বীরনারিজ, ৱিদোজ অমসুং মখোয়গা লৈমিন্নরিবশিং য়াওনা এক্স সার্ভিসমেন ৬৭৮ না শরুক য়াখি।

অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল মন্ত্রীপুখ্রিগী মহৈরোইশিংনা শৈহৌ ঈশৈ শক্তুনা হৌদোকখিবা রেল্লি অদুদা ভেটেরানশিংগী ৱেলফিয়ারগীদমক পায়খৎলিবা অমসুং তেঙবাংগী মতাংদা মরিক চুম্না খঙহনখি। অসিদসু নত্তনা পেন্সনগা মরী লৈনবা গ্রীভান্স



কয়াগীদমক পেন্সন অদালট অমদি ওপন হাউস হাংদোকপদা নত্তনা ষ্টেট সরকারগী দিপার্টমেন্টশিং, বেঙ্ক, হোস্পিটাল অমসুং সিভিল এজেন্সিশিংনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাং লিবশিং অদু নৌহৌননা পুথোকখি।

রেল্লি অদুদা অখন্নবা ওইনা মেদিকেলগী খূদোংচাবশিং কার্দিওলোজিষ্ট, আই এন্দ ইএনটি স্পেসিয়েলিষ্ট, গাইনোকোলোজিষ্ট, অল্ট্রাসাউন্দনচিংবা খূদোংচাবা কয়াসু ফঙহনখি। অধার কার্দ অমদি স্মার্ট কার্দ রেজিষ্ট্রেসনগী ষ্টোল য়াওনা হোর্টিকলচর, এগ্রিকলচর, ফিসরিজ, ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং ফুদ দিপার্টমেন্টকী ষ্টোল কয়াসু হাংখি। মখা লমায় ৬তা

# ষ্টেটকী থাক্তা ৱার্ল্ড আর্থ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

# উ পাম্বী অমা য়াম্থৎপনা মালেমদা পীরিবা চৈথেংগী মরমদা খন্থবা মতম ওইরেঃ শ্যামকুমার

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ ঃ মালেমগী মফম অতৈদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু ৱার্ল্ড আর্থ দেগী থৌরম মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্টনা শীন্দুনা ইম্ফালগী মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। উ পাম্বী অমা য়াম্থৎপা মতমদা মদুনা মালেমদা পীরিবা চৈথেং কয়া য়াম্না পীবগে হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে হায়না ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট, মাহুদকী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

"এনভাইরনমেন্টেল এন্দ ক্লাইমেট লিটরেসি" হায়বা ঠিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, মালেমদা ঙসি অকোয়বগী ফিভমদা শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা পৃথিবীগী মহৌশাগী খোঙচত্তা চাউনা অহোংবা কয়া পুরক্লি।

অহিংবা জিবশিংগী অমত্তা ঙায়রবা লৈফম ওইরিবা পৃথিবী অসি মীওইবা মশানা লান্দাশিন্দুনা নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লকপগী ফিভমদা লৈরি। অসিগুম্বা শাথিরবা ফিভম অসিদগী কন্নবগীদমক পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

পৃথিবী অসি খুদোম্বীদা লৈরে হায়না লৌরবা চাউখৎলবা মতম অসিদা মণিপুরদদি চীং তেমখায়বা, উ ৱা কোকথোকপগী চৎনবী অমা লৈরি। মসিনা মহৌশাগী খলদা চাউরবা শাফু অমা পীরি।

মীওইবা ঐখোয় ইশা ইশানা উ পাম্বী অমা য়াম্থৎপা মতমদা মদুনা মালেমগী অকোয়বগী ফিভমদা কয়া য়াম্না কনবা শাফু পীরমগদগে হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে।

হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা উ পাম্বী থাবগী হৈনবী লৈহনবা তাই, মহৈরোইশিংবু অসিগুম্বা থবক থৌরমশিংদা পুক্লিং চঙশিনহন্নবা হোৎনবা তাই।

মীওইবগী অরানবা খোঙথাংনা অকোয়বগী ফিভমদা অকনবা প্রেসর পীরিবনি হায়বসি কাওথোকফম থোক্তে।



*মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা মহৈরোইশিংদা উ চারা খুৎশিন্নবা*

মহাক্না মহৈরোইশিংদা মসিগী ৱাখল্লোন ফাওহনবগী মতাংদা হায়, অন্দ্রো কেন্দ্রগী ওইনা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী কেম্পসশিংদা মখল কয়াগী উ থাদুনা অকোয়বগী ফিভম ফজহনবতা নত্তনা অইং অশাগী খল কায়হন্দনা থম্বদা অঙম্বা মতেং পাঙলিবনি হায়খি।

মালেমগী অকোয়বগী ফিভম ফহনসি হায়রবদি কায়হন্দনা থম্নবা অমগা অমগা পুন্না মতেং পাঙমিন্নবা দরকার ওই হায়খি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা ঈশিং নিংথিনা য়োত্তুনা থমগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা অকোয়বগী খল ঙাক্তুনা থম্নবা অকনবা মীৎয়েং চংনবা ৱাফমসু খন্নরি। লোয়ননা মাঙখ্রবা পাৎশিং করম তৌরগা কনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নরি।

চীংগী লমদা পাক্তক্লনা উ য়াম্থৎপনা মরম ওইরগা উখুলনচিংবা চীংগী লমদা থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরক্লে।

মীওইবগী কা হেনবা থৌওং কয়ানা শা উচেকশিং হাত্তুনা চাথোকপা, লেপ্তনা ফাবনা মরম ওইরগা মদুগী চৈথেং মীওইবা ঐখোয়দা ফংলি। হৌজিক্কী মীরোল ওইরিবা ঐখোয়না তুংগী মীরোলগীদমক করিগুম্বা খরদি তৌবিরম্বা মতম ওইরে হায়খি।

থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক্কী ৱারোল পীরদুনা দাইরেক্টর এনভাইনরমেন্ট ডা. এম হোমেশ্বরনা হায়, মীওইগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংনা মরম ওইরগা পৃথিবীদা অকনবা প্রেসর কয়া পিরিবনি। ময়াম অসিগী মতাংদা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা খঙহন্নবা মীৎয়েং থমদুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

হৌজিক হোংলক্লিবা নোংজুনুংশাগী ফিভম অসি হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংদা খঙহনবা দরকার ওই।ঐখোয় পূন্নমক জ্ঞান তামিন্নবা দরকার ওইরে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরী সেক্রেটরী হোম, এল সুসিন্দ্রোনা থৌরম মপু, পি দি এগী চেয়ারমেন তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং অমসুং দি এম কলেজগী থবক্তগী পোথারবা প্রিন্সিপাল জি তোম্বা শর্ম্মানা রিসোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কষ্টুর্বা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয় অন্দ্রো, ৱাঙ্খেই মোদেল হায়স্কুল অমসুং মেগা মণিপুর স্কুলগী মহৈরোইশিংদা অথোইবা মীথুংনা য়েলহৌঙৈদগী মণিপুরদা থান্নরক্লবা উ পাম্বীশিংগী চরাশিং য়েম্থোকখি।